ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯲꯸, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯷꯹ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, সেপ্টেম্বর ২৮, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ১৭৯শুবা মশীং

# সিঙ্গল য়ুজ প্লাস্টিক থিংজিনবা

## ষণ লৈদ্রিঙৈদা হৌদোং হাৎপগী থৌদৌ তাদনবা হোৎনহন্নিংই

ওক্টোবর ২দগী ইন্দিয়া পূম্বদা সিঙ্গল য়ুজ প্লাস্টিক থিংনবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। অমুক্তং শীজিন্নরগা লংথোরকপা প্লাস্টিক্কী পোৎলমশিংনা অকোয়বগী ফীভম অমসুং ঈশিং-নুংশিৎতা চাউনা অকায়বা থোকহল্লকপদগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্না সিঙ্গল য়ুজ প্লাস্টিক (এস য়ু পি) গী পোৎলম পূন্নমক তাঙ্কক নাইনা থিংজিন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। ওগষ্ট ১৫দা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়াগী নীংতম নুমীৎকী থৌরমদা ৱা ঙাঙখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, মহাত্মা গান্ধীগী ১৫০ শুবা মপোক নুমীৎ ওইরিবা ওক্টোবর ১৫দগী মীচম-মীয়াম অমসুং লৈঙাক্কী এজেন্সি পূন্নমক্না এস য়ু পি শীজিন্নবা লেপ্পবগী অহানবা থৌরাং লৌখৎমিন্নরসি। তুম্বা ঙমদবা পোৎশক অমা ওইরিবা সিঙ্গল য়ুজ প্লাস্টিক্কী পোৎলমশিং সমুদ্রদা চেন্থখ্রগা ঈশিংদা লৈবা থৱায় পানবা পূন্নমক্তা খূদোংথিবা থোকহল্লকপগা লোয়ননা মথং-মথং শম্নরক্নুনা মীওইবগী চীঞ্জাক্তসু য়াওরকই। অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা প্লাস্টিক্কী পোৎলম তরুক শীজিন্নবা থিংজিন্দুনা চহীদা প্লাস্টিক্কী পোৎলম শীজিন্নবগী চাং চাদা ১০ হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। ঈ-কন্মর্স কম্পনিশিংদসু প্লাস্টিক্কী পোৎলম শীজিন্নবগী চাং হন্থহন্নবা খঙহনখ্রে। মালেমগী ওইনা য়েংবদা হৌজিক সিঙ্গল য়ুজ প্লাস্টিক খ্বাইদগী য়াম্না শীজিন্নরিবসি ফাষ্ট মুভিং কঞ্জুমর গুদস (এফ এম সী জি) কম্পনি; এয়র কন্দিসনর, ফ্রিদজ অমদি অতৈ কঞ্জুমর এপ্লায়ন্স মেন্যুফেকচররশিং; ঈ-কন্মর্স; হোস্পিটালিটি; রেষ্টোরেন্ট অমসুং রিটেল শোপশিংনি। প্লাস্টিক্কী পোৎলম শীজিন্নবনা মীওইবগী পূন্সিদা অসুক্কী মতীক খূদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই হায়বসি পূন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। শা-ষণশিংনা প্লাস্টিকপু চীঞ্জাক ওইরবোই নীংদুনা চাশিল্লুবদগী খূদোংথিবা মায়োক্নবা অমদি শিবা ফাওবা য়াওরিবনি। মসিগীসু মথক্তা প্লাস্টিক শেম-শাবদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা কেমিকেল কয়ামরুম শীজিন্নে। মদুনা মরম ওইরগা মীওইবগী হকশেলদা চাউনা খূদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই। প্লাস্টিক্কী পোৎলমশিংদা পোলিব্রোমিনেটেদ দাইফিনাইল ইথর (পি বি দি ঈ), বাইসফেনোল এ (বি পি এ) অমদি থোলেটনচিংবা খূদোংথিনিংঙাই ওইবা মচলশিং য়াওই।

পূন্নমক অসিগী য়েংলুরগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাত্মা গান্ধীগী ১৫০শুবা মপোক নুমীৎ ওইরিবা ওক্টোবর ২দগী ইন্দিয়াদা সিঙ্গল য়ুজ প্লাস্টিক থিংনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা থিংগদৌরিবা পোৎলমশিংদি প্লাস্টিক বেগ, ষ্ট্রো, কপ, প্লেট, অপীকপা বোটল অমসুং সচেট মখল খরনি। হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন ফুদ এন্দ কঞ্জুমর এফের্স মিনিষ্টর রাম বিলাস পাসৱাননা নুমীৎ হুন্নিগী মনুংদা মতীক চাবা থৌরাং লৌখৎনবা পেপসি, কোকা কোলা অমদি অতৈ পেকেজ্দ দ্রিঙ্ক মেন্যুফেকচররশিংদা খঙহনখ্রে। সিকিম, দিলি, মহারাষ্ট্র, কর্নাটকা, উত্তর প্রদেশ, টামিল নাদু, নাগালেন্দ অমদি ঝরখন্দনচিংবা ষ্টেট খরদা মাঙজৌননা সিঙ্গল য়ুজ প্লাস্টিক থিংবা হৌখ্রে। এয়র ইন্দিয়ানসু ওক্টোবর ২দগী ফ্লাইট মনুংদা সিঙ্গল য়ুজ প্লাস্টিক আইটেম পূন্নমক থিংলগনি হায়না লাউথোকখ্রে। অহানবা তাঙ্কক্তা এয়র ইন্দিয়া এক্সপ্রেস অমসুং এলাইয়ন্স এয়রগী ফ্লাইটশিংদা পোৎলমশিং অসি থিংলগা অনীশুবা তাঙ্কক্তনা এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইটশিংদা থিংগদবনি। অঙৈং-অশাগী খল কায়হল্লক্লিবা অমদি থৱায় পানবশিংগী পূন্সিদা খূদোংথিবা থোকহল্লক্লিবা অসিগী য়েংলগা মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংদদি থৌরাং অসি মাঙজৌননা লৌখৎখ্রবনি। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা কুমজা ২০২১ ফাওবগী মনুংদা প্লাস্টিক ষ্ট্রো, নাইফ, ফোর্ক অমদি কট্টন বদনচিংবা প্লাস্টিক্কী পোৎলম পূন্নমক মপূং ফানা শীজিন্নদনবা অমসুং মাঙহনখিনবা থৌরাং লৌখৎখ্রবনি। চাইনাদসু সিঙ্গল য়ুজ প্লাস্টিক শীজিন্নবগী চাং তপ্না-তপ্না হন্থরক্লি। চাইনাগী মরু ওইবা প্রোভিন্স অমা ওইরিবা হাইনানদা কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা মপূং ফানা সিঙ্গল য়ুজ প্লাস্টিক শীজিন্নদনবা অমসুং মাঙহনখিনবা পান্দম থল্লি। মপান লৈবাক্তগী হান্না প্লাস্টিক ৱেস্ট লৈরগা তোঙান-তোঙানবা পোৎলম কয়া পুথোকপদা শীজিন্নরম্বগী থৌওং অদুসু লেপহনখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্স অমদি য়ুনাইটেদ কিংদম্নচিংবা লৈবাকশিংনা খা-নোংপোক এসিয়াগী অতৈ অতোপ্পা লৈবাকশিংদা প্লাস্টিক ৱেস্ট য়োনশিন্নবা নৎত্রগা লেম্না পীনবগী থৌরাং লৌখৎলক্লি। মালেমগী লৈবাক অয়াম্বদা লৌখৎনরক্লিবা থৌরাং অসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইরগসু হৌজিকমক্কী ওইনা সিঙ্গল য়ুজ প্লাস্টিক্কী মহূৎ শিনবা য়াগদবা পোৎলম অমত্তা উবা ফংদ্রি। খূদম ওইনা হায়রবদা পেকেজ দ্রিঙ্কিং ৱাটর য়োল্লিবা কম্পনিশিংনা খূদক্তা প্লাস্টিক বোটলগী মহূৎ শিনবা য়াগদবা অতোপ্পা পান্বে অমা পুথোকপা ঙম্বগী ফীভম লৈত্রি। হকচাং শোক্লোইদবা অতোপ্পা পোৎলমদা ঈশিং হাল্লগা পাক্তক্না য়োনবা ঙম্বগী ফীভমসু লৈত্রি। পেকেজ দ্রিঙ্কিং ৱাটর বোটল অমদা হৌজিক লুপা ২০দা য়োল্লিবসি প্লাস্টিক নৎতবা অতোপ্পা পোৎলম অমদা হাল্লগা মমল কা হেন্না ৱাংনা য়োল্লকপা মতমদা মীয়াম্না লৈবীগনি নীংদে। প্লাস্টিক্কী পোৎলম থিংজিন্নবগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি অচুম্বা খোঙথাংনি হায়বসিদা থোইদোক্না য়েৎনিংঙাই লৈত্রে। তৌবতবু ষণ লৈদ্রিঙৈদা হৌদোং হান্না হাৎপগী থৌদৌ তাহন্দনবা প্লাস্টিক্কী মহূৎ শিনগদবা পোৎলম অমা হান্না পুথোক্লম্লগদি হেন্না চুম্বা খোঙথাংনি হায়নরমগদবনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### রোদ সবসিদিয়ান্না থোকহনবা খুরৌ থাংবা খরা

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈরিবা ত্রাফিক সর্কল অসি হান্নদগী সাইজ খরা পিকশিনহনখিবদগী রাজ ভবন রোদতা ত্রাফিক জাম য়াম্না তোয়না থোক্লম্বদু ফনা নিংথিনা হন্থরুরবনি। হৌজিক্না অমুক ইকুই কুইদনা কৈশাম্পাৎ থোং মচিন্দগী হৌরগা নিত্যাইপাৎ জঙ্কসন অদুৱাই ফাওবদা লৈরিবা রাজ ভবন রোদ অসি ত্রাফিক জাম অমুক হেনগৎলকপগুম তৌদুনা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা হান্নদগী হেন্না নুংঙাইত্রে। পংপাকসু পাক্তবা ইম্ফাল ময়োলগী লম্বী সোরোকশিংদা কোনক্রিট ব্লোকশিংগী সবসিদিয়ান মতেক মতেকশিং থমজিল্লকপা অসিনা হেন্নদুম ত্রাফিক জাম থোকহন্নবগী মরম অমসু ওইগনি। কাতু-কারন গাড়ী থৌবশিংবু ঙাকথোক্নবগীদমক ওইরগদি ৱাহেংবম লৈকায়, শিংজমৈ, ইম্ফাল পোষ্ট ওফিস মপা, কোনুং মমাঙ, কৈশাম্পাৎ জঙ্কসন অসিনচিংবদা লৈরিবা ত্রাফিক সর্কল অদুৱাইদসু সবসিদিয়ানশিং থম্বদা মরম চারিবা ঙাক্তনি।

রাজ ভবন রোদকী খুদোংচাদবা খরা খন্নরবদা, কৈশাম্পাৎ থোংলোমদগী পাওনা কৈথেল্লোমদগী, রাজ ভবন মনিংলোমদগী অমদি অদুৱাইদা লৈরিবা লোইশঙশিংদগী থৌদোক্নরক্লিবা গাড়ীশিংনা মশা-মশানা চৎকদবা ত্রেকশিং অদু চিনফা পুবসু পুদবসু য়াম্না চগুংনরকপদগী ফীভম্না য়াদদুনা অরানবা ত্রেক্তা তাশিনবা য়াওই নৎত্রগা সবসিদিয়ানগী মচিনমক্তদা মায়োক্নশন্দুনা হাইদোক হাইজিন তৌবা য়াদদুনা লম্মুক্নবগুম লৈবা য়াওই। অদুগা অমুকসু রাজ ভবনগী মখা থংবা নাকন্দা ফক্লাংগা তাইনদুনা লৈরিবা ফুট পাথ অমসুং খিল্লিবা সবসিদিয়ান মতেক অনী অসিগী মরক্তা খায়দুনা চৎলিবা লম্বীগী অপাকপা অদু য়াম্না পিকমনবা নৎত্রগা খুমনবদগী মখোঙ মরি পানবা গাড়ী অচৌবা অমদি লায়রদনা অপিকপা কার অমা ফাওবা ৱানা চল্লি। অসিগুম্বা কার অমখক্তং ৱানা চনবা লম্বী অসিদা, মমাঙ থংবা নৎত্রগা মরক্তা লৈবা মখোঙ মরি পানবা গাড়ী অমা বেরা-চক্ তৌরক্তুনা থৌবা ময়ারক্তুবদি ত্রাফিক্কী গ্রীন সিগনেল পীনরকপা মতমদা মনীংদা পরেং শানা লেংদুনা লৈরিবা এম্বুলেন্স, ফায়র বৃগেদকী গাড়ীনচিংবশিং অদু মনীংদা হনবসু কদায়, মমাঙদা থৌগৎপসু কদায়, নাকন্দা হাইদোকপসু কদায় হায়বগী ফীভমদা লৈরোইদ্রা? মণিপুরগী লম্বী সরকশিংগী অমসুং ষ্ট্রিট লাইটকী শক্তা-পুদা অসিদা সবসিদিয়ানশিং পঙথম থমদুনা সরক মশুং য়াম্না খায়দোকপসি লম্বী সরক্কী শক্তম থিহনবদা নক্তনা গাড়ীশিংনা সবসিদিয়নশিংদা হেক হেক য়ৈশিন্দুনা খুদোংথিনিংঙাই ওইরি। পাওনা কৈথেল অমসুং রাজ ভবন মনীংলোমদগী মখা পাংনা য়ুংনা অমসুং ফৈনা থৌদোরকপা গাড়ীশিংনা রাজ ভবন রোদতা চুমদ্রিং চৎলিবা ত্রাফিক্তা থেঙ্খ্রাং কয়াদা অয়েৎপা পীদুনা ত্রাফিক জাম ওইহল্লি। সবসিদিয়ান মতেক্কী মহুত্তা মচু অঙৌবা তৈদুনা ত্রেক শেল্লগা গাড়ী য়াম্না চিন্না থৌনরকপা মতমদা, ত্রেক অমদি ত্রেক্কী নাকন্দা অফংবা অহাঙবা লম খজিক্তং হুদোক-হুজিন তৌবা য়াদ্রবনিনা ত্রাফিক জাম থোকপা তাবনি। অসুম্না ইম্ফাল সিটিগী চিল্লবা লম্বী সরকশিংদা সবসিদিয়ান মতেকশিং অমুক থমজিনবনা ত্রাফিক জাম থোকপা হেনগৎহল্লি।

মরম অসিনা অরোইবদা থমজরিবদি, থায়নদগী লৈরক্লবা প্লানসু নিংথিনা তৌদ্রিবা চুম্নতগী মতম মতমগী এদজষ্টমেন্ট পোলিসিনা মতম খরগীদমক হিংজদুনা লৈরিবা ইম্ফাল সিটিগী লম্বী-সরকশিংগী ফীভম হায়রুরগদি, সবসিদিয়ান মতেক মতেক থম্বগী মহুত্তা অঙৌবা মচুগী ত্রেক ওইনা য়াৎপনা লম্বী খরা কোমহনবদা নক্তনা অতৈ খুদোংচাবশিংসু লৈগনি খঞে। জর্সি বেরিয়র শাংনা থম্বগী মহুত্তা কৈশাম্পাৎ থোং মথক্তগী নিত্যাইপাৎ চুথেক ফাওবা লৈ-শু, পান্বীশিং হৌহনবা রোদ মিদিয়ান অমখক্তং এলাইন্টমেন্ট চানা তরু-তরু থমহন্নীংই। অমনা পাওনা রোদ অমসুং রাজ ভবন মনিংদগী রাজ ভবন রোদতা ফৈনা য়ুংনা গাড়ীশিং থৌদোকহনবা অসিমা তোকহনবা ফগনি। মদুগী মহুত্তা চিনবগী চিনবা ৱাহেংবম লৈকায়গী লম্বীরোমদা পরেং শানা লাকহনবনা ফগনি। খ্বাইদগী নাতৈ চাদ্রিবসি প্লান য়াওদবগী হৌনবী লম্বী সরকশিং পংলোংদা লোংহনবা অসিনি। খুদম ওইনা পল্লবদা, ৱহেংবম লৈকায়, নিত্যাইপাৎ চুথেক অনী অসিদা ত্রাফিক্কী শাথিনা ঝমেলা ওইরিবসি লম্বী কা হেন্না লোঙমনবদগীনি। ইজরিবসি ইশাগী ৱাখল্লোননি। হন্না অমুক নৈনবিনবা মরী লৈনবশিংগী মফমদা থমজরি।

*অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি, সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

# প্রিজুদিস, চাদ্রিঙৈদা য়েনশাং মউতবা

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

ঙাকপীগনি! ঐগী মহৌশাগী খূৎই মওং অদু খজিক্তং হোংদোকচরগা ঙসিদি ৱাফম অমখক্তং থমজগে!



প্রিজুদিস হায়বসি করিনো? মসিবু ফৱা নৎত্রগা ফৎতৱা? মসিনা মী অমবু য়েংলকপদা মী অদুবু হান্নগী মীৎয়েং অদুদা কয়ামুক অসুম হোংদনা উবা য়াবগে হায়বদুনি নৈনজনীংলিবসি।

প্রিজুদিস হায়সি করিনো অদুদি? মরম শুংচা চাদনা হান্নদগী হৌনা মী অমবু, পোৎশক অমবু ৱাফম অমবু পান্নরোইগে য়াজররোইগে শীনজরগে হায়দনা অদুম লৈজবা অদুবু প্রিজুদিস হায়না কৌই। মসিগী খুদম হায়ববু তোম্বনা ইরদি নুংঙাইরম্মরোই অদুনা মাগী লাইরিক লৈরোই, পারোই, লেম্না পীরক্লবসু উপু মনুংদা নৎত্রগা গাদি মথক্তা অদুম থমজিনখ্রগে হায়বা অসি ফজরবা খুদম অমনি। তোমচৌনা কূম্বা ফিল্ম অদু নুংঙাইরম্মরোই, মানা কূম্ববু কয়াম জুগোৎ চানি হায়বগে, মানা কূম্বা ফিল্মবু ওইরদি ঐ শুকয়েং হেক য়েংজররোই হায়বা অসি প্রিজুদিসকী মওংনি। মোবাইল ফোন কম্পেনি মমিং য়াম্না চৎচদবা অমনা অফ-অফবা মোবাইল ফোন পুথোক্লসু মীনা করি অমত্তা লৈবীরোই মরম হায়রদি প্রিজুদিস।

ফাগি ফারাং য়াম্না তৌগনবা নুপা অমগী মমা শিবদা নহাক মপান থোরক্কনু হায়বসি প্রিজুদিস মখল অমনি। মমা শিরবদা ফাগি তৌগদবা মী কনা তাইবঙপাল অসিদা লৈগদগে? মী খুদিং মফম মতমগী মতুংইন্না সেরিয়স ওইবা হায়বা ৱাফম লৈ। অপোকপী মমা শিরবদি পি তানা কপকনি - মানা লীলাদা তৌবা কলাগী ওইবা ৱাঙাঙ-শাঙাঙ অদু অমুক হন্না তৌরক্লোই, মাগুম্বা ফাগি তৌগনবা অমনা মমা লৈতবা মতমদা কপ্লবদি মীয়াম্না অমুক্কা হেন্না মাবু নুংশিগনি হায়বসি খঙবা য়াই। মসিনি প্রিজুদিসকী মহু-ময়াইনা মীবু লান্না উদুনতা লৈবা হায়রিবা অসি।

অয়াম্বা মতমদা মীপূম হেক খুদিংমক্তা মানা মানা ঙমজবা থাক্তা প্রিজুদিস অদু লৈ হায়বা তাই। মী অমগী মকোক্তা পোৎশক, মীশক, থৌদোক, ৱাখল্লোন অমবু ওবজেক্টিবলি য়েংনবা হোৎনরক্তুবা য়েংলক্তুবা উরক্তুবা মতম অদুদা প্রিজুদিস অসি থোকপনি। মসি তনবদগীসু ওইবা য়াই, অতনবা মীগী মকোক্তদি তেংবানবা অসি প্রিজুদিস ওইনা য়েংবা নৎতনা পান্বে লৈতে।

হান্না য়েংলম্বা মীৎয়েংদগী আনোক খিক্তং নাখাঙ মথক্তা ইনখৎলগা অমুক্কা হন্না য়েংলবদি উপ্লিবা আনোক অদুনা থোকহল্লম্বা অপৈবা অমা চুম্না উরকপা য়াই। অদুনা মতম পূম্বদা প্রিজুদিস থাদোক্নবা লাক্নবা তারি। ঐগী নুপী মথন্তা কৈথেলদা থাদোকপা য়াদে নুপা কোয়নরক্কনি, ঐগী নুপা নুমিদাংৱাইরম থোকহনবা য়াদে য়ু ঙাওরগা হল্লক্কনি, ঐগী নুপানা মমান্নবগা চৎখ্রবদি মৌ নহাগা গা-গা তৌরমগনি, ওজা রাজেন্না তাক্লবদি নুংঙাইররোই, কেন্টিন চৎলগা ফমদুনা লৈথোক্লুরসি, মসি প্রিজুদিসনা তৌহল্লকপা ঙাক্তনি।

অমরোমদা অফবগীসু প্রিজুদিস লৈ ইবোতোননা ইবা লীলা ওইরদি শোয়দনা নুংঙাইরম্মনি, ফিল্মগী ৱারী অদু রাজেসনা ইবনি অদু ওইরদি নুংঙাইরম্মনি, অদুনা তৌবা থবক্তি অদুম ফরম্লগনি, মানবু শক্লবদি ঈশৈদু তাবা নুংঙাইরম্লগনি। মানবু থৌরবদি গাড়ী অদু তোংবা অদুম নুংঙাইরম্লগদবনি, মানবু লৈকায় অসিগী এম এল এ কারবদি (মীহুৎ ওইরবদি) লৈকায়গী, লৈবাক অসিগী অদুম অফবা ওইরক্লগদবনি হায়বা অসিসু হান্নবা মাঙজৌননা খঙদোকপা, মাঙজৌননা লেপথোকপা ৱাখল অমনি। মসিনা অকায়বা য়াম্না থোকপা হায়বদু ওই।

মুন্না য়েংবা, তাবা, নৈনবা শুকনৎ নক্তবীদা ৱাখলনা হান্না অফববু ওইরো, ফক্তববু ওইরো লেপথোকপা মীবু য়াম্না মমল য়াওদনা লৌবা হায়বা পূন্নমক অসি প্রিজুদিস অসিদগী য়াম্না থোকই। মীপূম খুদিংমক, পোৎশক খুদিংমক, ৱাফম খুদিংমক্কী মশক, মতিক, মনুং, মপান লোইনা মতমগী মতুংইন্না হোংই, মদু করি অমত্তা খঙদনা ঐনা হান্না শুকতা তাদ্রিবা ঈশৈবু ম্যুজিক কম্পোজর মমিংদং তারগা ফজরম্মোই হায়বসি খুরবা মীৎয়েংগী চেন্দ্রবা ঈচেলগা পাংখক ওইরবা মতৌনি। ●

# হেলমেটনা নক্তে খল্লি

**নবকুমার ওইনা**

কৈশাম্পাক্তনি, জেব্রা ক্রোসিং লান্দনা খাম্বদনি, য়েৎথংবদা মোটোর সাইকল থৌবা নহাদুনা খজিক্তনি থেংখিবা। হোয়-মায় হায়রম্বা নক্তে, শোয়খ্রে হায়বা হৈবা জাৎ-ফুরুপ নক্তে। মাগী নাপল কারগা থৌরিবা মোটোর সাইকলদুনা ঐগুম্বা এক্টিভা থৌবশিং উশিৎপা মান্দে। ফজখ্রবা গার্দতুননি।

নোংমা লৈরগা দিমাপুর ফাওবা বস তোংলিবনি, নাবা হৌরক্লে। খুউদনি, গাড়ীদগী কুম্বা-কাবদা গোক লাওবা অমা মরক মরক্তা য়াওরক্লে। চিকপা-নাবদি য়াওদে, মরক-মরক্তা কুইনা ফমজিনবননি খনবনি, লুম্বা হেনগৎপগুম তৌরকই। য়ারিবমখৈ তিংনা থম্নবা হোৎনখি, খুকউদু খূৎনা নোইরগা শান্নে, খরা ফবগুম খনখি।

থা অমা হায়দ্রবাদতা লৈরবনি। য়ূমগী মথক থংবা কা অমদা লৈবগী কাবা-কূম্বা তোকপা য়াবা নক্তে। খোঙসি থাংবদা ৱাংবা ৱাৎপগুম মরক-মরক্তা তৌরকই। জু য়েংবা চৎপদনি, শামুগী চেন অমা কানবদা খোঙউপকী খুন্নিংদুনা পন্দুনা তুরে, পনবনা য়েৎ থংবনা পল্লগা তৎপনা ওই থংবদা খুকউদা তৎপনি। লৈমিন্নরিবা অমেরিকান মচা অমনা খোঙ শেক্লিবা করিগীনো হংলকপদা তুরুরে হায়না হায়দোক্লে। কয়া ফজনা ফর্ষ্ট এইদ পিরকই, কাউবা ঙমদে। কায়নরমদায়নি, থেঙ্ক-য়ু হায়রগা খূৎ শোক্ন-শোক্ননা কোল্লমখি। মিৎকা-মিৎকা মুন্না য়েংনৈ, খূত্তু তপ্না তপ্না হাইহৌই, ঐসু তুং হন্না-হন্না য়েংলগা খূৎ হাইনা হাইনা তপ্না থোক্লককখি। চহী নিপানগী মমাঙদনি।

ঙসিদি খুকউসি চাননা নারে, ডোক্তরদা য়েংলে, হীদাক চারে, খুকউ-কাংসি কোম্বনি হায়রে। ঐসু হেলমেট উপত্রিঙৈদনি, নহাদুসু হেলমেট উপ্পা উদে। খজিক্তং নোক্লগা য়েংলম্বদুনা মশক খঙহৌবসু নৎত্রে। চহী নিপানগী মমাঙদগী হেলমেট উপ্পলম্লবদি খুকউসি করিসু তৌরম্লোইদ্রা। খল্লকপগী ৱাতনি মশক খঙহৌদ্রবা নহাদু নুংশিফম খঙলক্তে। চৎখিবদসু খোঙদা অনাবা অমা পুরগা চৎখিবনি, হল্লকপদসু খোঙ শেক্লগা হল্লকপা, মহাক অদুতা নীংশিংদুনা লৈখি। নুংশিবগীদি নক্তে।

লম্বীদা গাড়ী থৌরিবশিংদা হেলমেট উপকদৌবনি হায়বসি গাড়ী থৌরিবশিংগীদমক হায়বনি হায়নরি। কয়া য়াম্না চুম্লবা ৱানো? কন্না কন্না থৌগদৌবনি, এক্সিদেন্ট থোকপা ফাওবা থৌগদৌবনি, মদুগীদমক হেলমেট অমা উপকদৌবনি হায়রিব্রা? মীরোল থুংদবশিংনা হেলমেট উপ্পগা করি কান্নগদৌরিবা? নোংমা হেলমেট হেক লৌথোকপগা গাড়ীগী ফমফমদগী তাখিবগী ৱাদুনি। খূৎবীমুক লাওনা হোরে, মচেৎ-মচেৎ অহুম-মরি কেল্লে। মদুবু উপ্পগা এক্সিদেন্ট থোক্লবদি করি কান্নবা ফংগদৌরি। মনুংদা ফোর্ম অমা থারবসু মপান থংবা কায়রিবা অদুদি এম এম অমমুক্তা থাবনি। হেলমেট শারিবশিংনা মিনিষ্টরদা ৱানোম্বা য়াওব্রা নৎত্রগা মন্ত্রি অমগী হেলমেট শাবগী ফেক্টরি লৈব্রা খল্লকই।

লম্বী চৎপগী কাঙলোন খঙদনা পংচত্তা চৎপশিংনা গাড়ী এক্সিদেন্ট থোকপগী মরম ওইগনি। খঙদবশিংনা করম্না গাড়ী থৌরক্লিবনো? গাড়ী থৌবগী লাইসেন্স কনানা পীবনো, লাইসেন্স পংপিদা পীরিবা মীদুদি করিগী ফাইন থিহন্দ্রিবনো? মখোয় খরনা পংচাউদা চাউরগা, পংঙাঙদা ঙাঙলগা য়ারদ্রা? গাড়ী থৌবসিবু চেলহনবা হৈরগা লোইরবরা? ওই-য়েৎ খঙদবা, লৈশিন্নীংবা মীৎকুপ্তা হেক্তা লৈশিনবা, মী অমগী মমাঙদা হেক্তা লৈশিনবা ঙম্বা য়াওরিবসি লাইসেন্স পীবদা ৱারী তৌহৌদ্রবা শোয়দনা ওইরগনি। মখোয়দা হেলমেট উপকদৌবনি হায়বসি এক্টিং তৌরমদাইদা দিরেক্টরনা তৌগদৌবনি হায়বদু শিন্নবগুম্বনি। শোয়দনা এক্সিদেন্ট থোকহল্লু হায়বগা মান্নগদৌরি, এক্সিদেন্ট থোক্ত্রিবা ফাওবা কন্না-কন্না থৌবা য়ারগনি, হেলমেট উপ্পবনি হায়বা তারক্কদৌরি। সাইলেন্সর লৌথোক্লগা থৌবা কাঙবু অমসু লৈরি, মখোয়দি তপ্না থৌবা য়াদে, কন্না থৌদ্রবদি মখোল হৌদে। মখোয়গী খল্লবদি খোঙনা চৎপা মীশিংসু হেলমেট উপকদৌবনি, শিরিবসি অয়াম্বদি মখোঙনা চৎপনা য়াল্লিবনি। খোঙ লম্বীসু থমদনা কদায়দা চৎকদৌরি, গাড়ী থৌরিবা লম্বীদা চৎলবদি শিবা তারকপদুনি। গাড়ী থৌগদৌবা লম্বীদা পার্কিং ওইবা অসিনা করিগী! মদুগী ওর্দর থোক্লিবা মীদুদি ফাইন থিহন্দব্রা, ঙাওব্রা? অঙাওবা মরক্তা শিবগী পালি ঙায়বা ময়াম অমা য়াওরিবা ওইগদৌরি। শিরিবসি হেলমেট উপ্তবশিং ওইবদুদা হেলমেট উপ্লবদি শিবা য়াওররোইদবা মানবগী ওইরিনি।

শিদনবা চেকশিনবগী হায়রবদি এরোপ্লেন তোংলিবশিংসু হেলমেট উপ্পদি ফবনি। সাইকল থৌবদগী রোকেট থৌবা ফাওবা হেলমেট উপ্পরবা মতমসিদা; কার থৌবা, বস থৌবশিংসু হেলমেট উপ্পা তারকপদুনি, শিবদদি মখোয়সু য়াওরিবসিনি। হেলমেট উপ্পরিবসি শিদনবা চেকশিনবনি হায়বনিনা শিগদৌবমখৈ হেলমেট উপকদৌবনি হায়রকপদুনি। হেলমেটকী মহুত্তা কোকয়েৎ চাউনা য়েৎপসু লৈ, পৈশা ইপায় পায়জদবা লমদম অসিদদি ফৈজোম অমনবা অমনা কোকয়েৎ য়েৎলগা চৎপসু য়াফম থোকই, কোকয়েৎ য়েৎলগা য়াবা লমদম লৈরিবনি। টুপী মানবা হেলমেট উপ্পসু লৈরিবনি।

লম্বী পাকথোক্তবা য়াদ্রবা মফম য়াম্না লৈরে, ফনা য়াম্নসু পাকথোক্লে। লম্বী চিল্লগা গাড়ী ময়াম থৌনরবদি হেলমেট উপ্তুবা য়াদ্রে হায়রিবসি সিটি অমা অনীগী ৱানি। লোদসু লৱাই-ইম্ফাল খায়রি। খুঙ্গংদদি হেলমেট উপত্রবসু য়াবা মফম ময়াম লৈগনি, ফাইন লৌবীনবা মীসু লৈবা নক্তে। থৱায় য়াওবা খরনা লৱাইদা পৈশা তানবা ওইনা ফাইন খোমগৎপা চৎনরকপসু য়ারিবনি। লৌবুক্তা মতোমতা গাড়ী থৌরগা চৎপসু ময়াম লৈরবনি। লম্বী অহাঙবদা মতোমতা থৌবগীনা করম্বা মখলগী হেলমেট উপ্পা তারি। ইন্দিয়াগী লো শেম্বদা চীং-মান্দা লৈবশিংগী ইয়াও য়াওদে হায়গনি। চীংদসু লুপা লিশীং মঙা লৌবা য়াবা গাড়ী ময়াম লৈরিবনি। ফাইন খোম্বা মী কোন্নদবগীরা, কিবগীরা রেভিন্যু হায়গেরা, টেক্স হায়গেরা খোমগৎপা ঙল্লবদি ফগদৌবনি। মবুক ফবা, অপঙবা খরদগী পঙখায়দা খায়গৎপা মাল্লকপদুনি। লম্বী চৎপা তম্বীবদা, গাড়ী ফজনা থৌবা হৈনবা টেক্স য়াম্না লৌরগা পৈশা খোমগৎপা লৈঙাক মমাঙঙৈগী পুৱারীদা অমত্তা য়াওখিদ্রি। চন্দোয় শেখান লৌরম্মী হায়বদু নীংশিংলকই। লোদু খঙদবা খরদি অদুমক খঙগদৌবা মাল্লক্তে।

লম্বীদা এক্সিদেন্ট থোক্তনবা হায়রবদি লম্বীদু ফজনা শেমগদৌবনি। লম্বীদি শেমদনা ফাইন খোমগনি হায়বদি লোদসু লানবা য়াওরমদৌবা মাল্লকই। উফুল থাংদবা অপাকপা লম্বীদা য়াঙনা-য়াঙনা থৌবা য়ারবা লম্বীদা হেলমেট উপত্রবদি ফাইন লৌবদু চুম্মী হায়গনি। উরক-ৱারক্তা, নূং ফাওবা থাদ্রিবা লম্বীদুদা ফাইন লৌবা চৎপদি কমদৌবা, হিংনা হল্লক্তবু য়ারিবনি, মশামক এক্সিদেন্ট থোকপা য়ারিবনি হায়রিবা। উফুল থাংখ্রবা লম্বী অসিগীদি উফুলদুগী খল্লগা হেলমেট উপ্পনা ফবনি। হেলমেট উপ্পসি ইথা-থাজদনা লুপৌ লৈখ্রবনি, হেলমেট উপকে হায়রবদি শমগী শেম্পু খরা হেন্না লৈবা তারকই। কোক হাক্কৎচরগা হেলমেট উপ্পসি হেক্তা লৌথোক্লিংবা কয়া য়াওরিবনি। অদুনবু হেলমেটতু পুরগদি চৎপা কোক্তদি উপশিন্নীংদবা য়াওনরকইবনি। ৱাখল লৌশিং লাক্নবা ফাইন লৌবা ওইরমগনি, মিনিষ্টরগী নাকলদা ফম্লগা গাড়ী থৌরিবা দ্রাইভরদুসু হেলমেট উপহনবা চুম্মী। মানা খঙলকপদু মিনিষ্টরসু খঙলকপা য়ানবনি। অদুম হায়বদি য়াইদা, হেলমেটসি লুপৌ মকোননি, অমা শুরিঙৈদা অমা উপ্পবা অনী/অনী লৈনগদৌবনি। সনা য়াথং লৈবাক তাবা য়াদে হায়বগীদি খঙজদ্রে। মীয়ামগী য়াইফনবা (এক্সিদেন্ট থোক্তনবা) শেল-থুম পায়জদবা মীয়ামসি হেলমেট অনী/অনী লৈগদ্রা, কোক হাক্কৎচবগী শেম্বু লৈগদ্রা মদুগীসু সেল্ফ-হেল্প গ্রুপ ময়াম শেমগৎপীবা চুমগদ্রা খল্লকইবসি মতম্না পুরকপা ৱাখল্লোন ওইগদৌরি। গ্যাস য়েনবগুম্না হেলমেট য়েনবীরকপসু য়ারি, লাই অমনা ইনশিল্লকপা ঙায়বা তারি। দেমোক্রেসিদবু ওইথোক্তবা লৈব্রা, থোকউ থোকউবা নীংশিংলকপদু পংতৌদা তৌজরক্কনি খল্লিবসি চুম্লকপসু য়ারিবনি।

লম্বী থোং ফজনা শেমদ্রিবা ফাওবদি লম্বী ফজনা শেমখ্রবা লমশিংগী লোদু চৎনফম থোক্তবনি। অদুনবু ষ্টেট খরদি টেক্স ককথরগা চৎনবা ঙম্বসু য়াওরিবনি। হায়বা ইনবা মিনিষ্টরশিংনা হায়বা খুদিং মীয়াম্না ইল্লক্তবা হেক-হেক য়াওরকই হায়বসিসু কাউদবা ফবনি। মীয়াম্নসু লোসি হেক্তা কাউবা য়াওনরিবনি। শিবা-নাবা য়াওদনবা হোৎনবা হায়বসি লৈবাক মচা তাবা থৌশিলনি। হেলমেট উপশিল্লগা দ্রগ চাখৎলকপদি কমদৌবা। দ্রগ চাখৎলক্লিবসি পৈশা পায়বনা নক্তে, মমা-মপা মীরোল থুংদবা য়াওবনা ওইরমদৌ মাল্লকই। গাড়ী থৌরগা শিবা য়াওরিবসিসু হেলমেটনা মান্দে, মীরোল থুংদবা য়াওরব্রা চিংনরকই। চুম্না শোয়বা মাল্লক্তে।

খুকউদা নারিবসি পুন্সি কোন্নরি খল্লে, মশক নীংশিংদ্রবা নহা অদুদি অদুম নীংশিংলি, হেলমেটনদি নক্তে। ●